# ত্রিপুরাদা নুমিৎ মরিনিগী হেন্দলুম এক্সিবিসন কম কলচরেল এক্সচেঞ্জ প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ৬(এস এন এস) ঃ ইন্টরনেসনেল পিচ এন্দ সোসিয়েল এদভান্সমেন্ট (আই পি এস এ) না শীন্দুনা ত্রিপুরাগী অগরটালাদা লৈবা পুথিবা দেভতা বারি (মন্দির) উজন অভোয়ানগরদা নুমিৎ মরি চত্থগদবা নোর্থ ইষ্ট হেন দলুম এক্সিবিসন কম কলচরেল এক্সচেঞ্জ প্রোগ্রাম ২০১৯ ঙরাংদগী হৌদোকখ্রে।

থৌরম হৌদোকপা অদুদা, হিমালয়ান কলচরেল রিছার্স সেন্টরগী চীয়রমেন ডা. এল সুরেসনা অথোইবা মীথুংলেন, পুথিবা ৱেলফিয়র এন্দ কলচরেল সোসাইটি অভোইনগর, অগরটালা, ত্রিপুরা (ৱেষ্ট) কী প্রসিদেন্ট এম ইন দ্রমনী সিংহ অমসুং আই পি এস এগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা থৌরম মপু ওইখি।

জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা হায়, আই পি এস এ না নোর্থ ইষ্ট হেন্দলুম এক্সবিসন কম কলচরেল এক্সচেঞ্জ কম কলচরেল এক্সচেঞ্জ প্রোগ্রাম পাঙথোক্লিবসি মণিপুরদা লৈরিবা মণিপুরীশিংগা মণিপুরগী মপান্দা চোইনা তাখ্রবা ঈ–গী মরীশিংগা নকশিননবা হোৎনবনি। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা নুংশি–চান্নবা অমসুং থাজনবগী মরী অসি হেন্না চেৎশিন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

আই পি এস এনা হন্দক চহীগী ওইনা ত্রিপুরাগী অগরটালা, ইবুধৌ পুথিবগী লাইবুংদা হেন্দলুম এক্সিবিসন কম কলচরেল এক্সচেঞ্জ অসি পাঙথোকপনি।

ইপা–ইপুনা থম্বীরম্বা ফি–শারোল, নাৎকী ওইবা কলচরেল চৎনরোলশিং অমসুং মার্সিয়েল আর্টসনচিংবা অসি য়োকখৎপা অমদি ঙাক শেনবা মথৌ তাই। আই পি এস এদা মণিপুরী কলচর অসি য়োকখৎনবগী চপ চাবা ৱাখল্লোন লৈ। লূপ অসিনা নোর্থ ইষ্টকী মফম কয়াদা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা অসিগুম্বা মখলগী প্রোগ্রাম অসি মখা তানা নোর্থ ইষ্টকী মফম কয়াদা মখা তানা পাঙথোকখিগনি।

ত্রিপুরাদা লৈরিবা ইচিল–ইনাও খুদিংমক্না হেন্দলুম অমদি মণিপুরী কলচরবু খঙনিংবা অমসুং তমনিংবা লৈরবদি আই পি এস এগী মায়কৈদগী পাঙবা য়াবা মতেং পাঙগনি, মথৌ তাবা খূদিংমক মতেং পাঙগনি হায়নসু মখা তাখি।

# চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম মুসু অমদি মুটানা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি

ইম্ফাল,এপ্রিল ৬(এস এন এস) ঃ থাসিগী তাং ৪ দা নম্বোলদা পাঙথোকপা বি জে পিগী ইলেক্সনগী রেল্লি অমদা চীফ মিনিষ্টরনা মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর ২০ অমসুং ২১ গী লোন্নবা অহিংদা এম য়ুগী হোষ্টেলদা একজামিনেসনগীদমক লাইরিক পারিবা মহৈরোইশিংবু পুলিস কম্মানে দা থাজিন্দুনা ওৎ–নৈবা ওজা অমদি মহৈরোই কয়া ফাজিন্দুনা জেলদা থাজিনখিবা থৌওং অদুগী মতাংদা ঙাঙখিবা ৱাফম অদু মুসুগী চেরোল অমনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু) গী চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মমাঙদা থৌদোক অদু ওজা অমনা পুলিসতা এফ আই আর অমা তৌরকপদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা হন্দক অমুক নৌনা থোরক্লিবা ৱারোল অসিনা মরম ওইরগা চীফ মিনিষ্টর অসি মশাগী ফিরেপ লৈতবা ঙাইহাক–ঙাইহাক্কী ৱা ঙাঙবা মীওই অমা ওইরে। থৌওং অসিনা মণিপুরগী মহৈরোই লিশিং কয়াবু নুমিৎ কয়ানি লাইরিক তমহনবা ফংখিদবা থৌদোক্তা চাউনা চেন্নরিবা আর এস এস অমদি বি জে পি গী খূৎচাবা প্রোফেসর এ পি পান্দেবু লৈঙাক অসিনা ফোঙনা শৌগৎলে হায়বা অদু ময়েক শেংলে। ওইরক্লিবা মওং অসিনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অসি মণিপুর মীয়ামগী খন্দবা বি জে পি খক্তগী খনবা মীওই অমনি হায়না মুসুনা লৌরে। মরম অসিনা লৈঙাক অসিনা মখা তানা এম য়ুগা মরী লৈননা তৌরকপা থবক খূদিংমক্তা মুসুনা মতম মতমগী মতুং ইন্না মীৎয়েং চঙগনি। লোয়ননা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা এম য়ুগী ইশুবু পোলিটিকেল ইশু ওইনা পুথোক্লবা হোৎনবীগনু হায়না মখা তানা চেরোল অসিনা আপিল তৌরক্লি।

অমরোমদা এপ্রিল ৪ দা নম্বোলদা পাঙথোকপা বি জে পি গী ইলেক্সনগী রেল্লি অমদা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচর্স এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনসু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, মণিপুরগী মীয়ামদা এম য়ুগী ওজা অমদি মহৈরোইশিংবু লান্না উহনবা য়াবা ৱাফম অসি মখা তানা লৈবাক্কী লুচিংবা অমা ওইনা মখা তানা অরানবা ৱাফম অমত্তা থম্বীগনু, মদুগী মহুৎ থৌদোক অদু করম্না ওইরকি–খবনো হায়বা অদু ময়েক শেংনা মীয়ামদা থম্বীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

# আউটরগী মীরেপ অশাং কসার সেনাপতিদা আই এমগী...

*লমায় ৩গী মখা*

অসি তৌহন্নিংদে। এন এস সি এন–আই এমনা খুল খুলদা চৎলগা এন ই আই দি পিবু নুংশিজবা, শৌগৎপা পামজবা মীওইশিং অসি অতোপ্পা পার্টিদা ভোট থাদগদবা ওইরবদি ভোট থাদবা য়ারোই হায়না কিহনবগী মতাংদা টেলিফোন্দা খঙহনলকপা কয়া লৈরে।

মসিদা নত্তনা খুলগী নিংথৌশিং, য়ুঠশিং, ভিলেজ ওঠোরিতিদা চে থাদুনা করিগুম্বা অতোপ্পা পার্টিদা ভোট থাদরবদি মদুগী দায়ত্ব অদু মখোয়না পুজগদবনি হায়না কিহনবা লৈরিবনি।

মখোয়না চত্থরিবা থৌওং অসিনা মায় পাক্লোই। মসিনা অহানবা নত্তে। ইমা লৈবাকপু নুংশিবা তারবদি মীয়ামদা মশাগী হক শিজিন্নহন্দুনা মীয়াম্না য়াবা লুচিংবা অমা ওইহন্নবা হোৎনসি হায়খি।

এন পি এফনা আইননা য়াদবা লূপ অমা শিজিন্নরগা মীরেপ অমবু কিহনবগী থবক চত্থরিবা পার্টি অসি মীয়াম্না পরা তম্বীবা মতম ওইরে। ঙসিগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা ৱাকৎলগনি। লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্না করিগীদমক অসিগুম্বা আইন কায়বা থবক তৌবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখত্তবনো হায়খি।

মীখল অসিগা মরী লৈননা এন এস সি এন–আই এমনা নম্ফু শাফু তৌবা হৌরে। মরম অসিনা চীংগী পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংমক্তা সেন্ত্রের ফোর্সশিং ফজনা ঙাক শেনবীয়ু হায়খি।

পাঙীগী মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা এন ই আই দি পিগী সেন্ত্রেল ৱার্কিং কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট এন সমরজিৎনা হায়, লমদম অসিগী য়াম্না লিরবা অমসুং মরা তারবা লূপ অমনা অসিগুম্বা থৌওং অসি চত্থরমগনি হায়বা থাজ দে। করিগুম্বা মখোয়না তৌখিদবা লৈরগনা পার্টিগী লুচিংবশিংনা মীয়ামদা শেঙদোকফম থোকই হায়খি।

মসি ইলেক্টোরেল পোলিটিক্সকা মরী লৈনবা লাঞ্জং অমনি হায়না লৌই। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা নীংতম্না মীখল পাঙথোকহনবা পাম্মী। লোয়ননা মীখল অসিদা য়াম্না নিং তম্না শরুক য়ামিন্নসি।

লমদম অসিদা রিজনেল পার্টি মপাঙ্গল কলহন্নবগী পান্দমদা অমসুং লমদম অসিগী সোসিয়েল পোলিটিকেল ইশু ময়াম অসি খঙদোকনবগীদমক পার্টি অসি শেমখিবনি হায়খি।

এন ই আই দি পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ডা. এন জি বিজয়না হায়, দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা দেমোক্রেটিক ওইদবা মওংদা চত্থরকপা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি।

মীরেপ অমনা অৱাবা তাবদা এস পিদা কনবিনবা হায়জবদা থৌওইদনা তৌবিরকপা অসি তাবদা নুংঙাইতবা ফাওই। মীরেপ অমনা মশামক্না ৱাকৎপদা তাবিদবা অসি লাইবক থিবনি হায়খি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা এক্সন লৌবিনবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা পার্টিগী মায়কৈদগী চে থারগনি হায়খি।

# মীখল লোইরগা গভর্ণমেন্টতা অহোংবা লাকপা য়াই...

*লমায় ৩গী মখা*

পার্টিগী ওইবা কম্মিতি অমা শেমখিবা লৈখ্রে।

পেলেস কম্পাউন্দ য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা পাউ–চে অসিনা মীখল অসিগী মতুং দা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা পুন্না চৎমিন্নরিবা পার্টিশিং এন পি পি অমসুং এন পি এফনা মীখলগী কেম্পেইনদা বি জে পিগী মায়োক্তা চত্থরক্লিবা থৌওং অসি য়েংলগা লৈঙাক অসিদা অকায়বা থোরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈব্রা হং খিবা ৱাহং খরগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, নোং মঙলবদি নোং তাবনি, উ পাম্বী নোন্নবদি উনা লেঙবনি। হৌজিক লেঙলক্লিবা অসি উখোঙ নোম্বা য়াওরকপদগীনি। মসি নোন্নমদ্রবদি করিশু তৌরমদবা য়াই। মহাক্কী মরৌ লৈবা ৱাফম অদু মনাক্তা লৈরম্বা বি জে পিগী লুচিংবা অমনা ৱাহন্থোক পীরদুনা হায়,মীখল মতুং দা লৈঙাক পায়মিন্নরিবা পার্টিশিংগী মরক্তা অওনবা,অহোংবা খরদি লাকপা য়াই।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, লৈঙাক অসিদা পুন্না চৎমিন্নরিবা এন পি পি অমসুং এন পি এফনা হৌজিক চত্থরক্লিবা খোঙথাং অসি অশেংবা দেমোক্রেসিগী মশক অদুনি। লৈঙাক অমদা পুন্না চৎমিন্নরবসু মখোয় মখোয়গী অপাম্বা ফোঙদোক্লবনি। বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিনা ইশু খুদিংমক্তা পুন্না থেংনমিন্নদুনা লাকপনি। বি জে পিনা এন পি পি নৎত্রগা এন পি এফখক্তবু তোখায়না ইহোক্তুনা থম্বগী ৱাফম লৈতে। ইশু কয়াদা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিনা করি তৌখ্রবগে হায়বদু মীয়াম্না খঙনরবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তনা হায়, হয়েংগী প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসিদা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংদগী মীয়াম্না প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসিদা শৌগৎপা ফোঙদোক্লররক্লিবনি।

মীয়ামগী মায়কৈদগী খোঙচৎ অসি মপুং ফাহনবীদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা মীয়ামদা পীবা পাউজেল অদু মপুং ফানা তাবিয়ু হায়খি।

মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ট লৈবনা প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসিদা থোইদোকপা তৌগদবা ৱাফম ফোঙদোক্লমগনি হায়বগী থাজবদি লৈতে। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টরনা অৱাং নোংপোক লমদম অসিদা মীনুংশিগা লোয়ননা য়েংলিবা মীৎয়েং অদু খঙবীবা চংই। চংলিবা চহী অসিগী জনুৱারি থাদ লাক্লমখিবা প্রাইম মিনিষ্টরনা হয়েং অমুক হন্না ইম্ফালদা লাক্কদৌরিবনি হায়খি। অদুবু মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা বি জে পি লৈঙাক্না চহী ৫ অসিদা মণিপুরগীদমক তৌখিবা থবকশিং খরদি ফোঙদোক্লমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

মীখল অসিদা কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা গাইখাঙমনা ফোঙদোকখিবা মীখল অসি এম এল এ মশীং য়াম্বদা চংলোই, ইশুদা চংকনি হায়বা ৱাফম অদু য়ানিংদবা উংলদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, কনাগুম্বা অমনা ৱাফম ফোঙদোকপদা অকায়বা লৈতে।

মীখল অসিদা করম্বা ইশুদা চংকদৌরিবনো হায়রদুনা ইশুদা চংপা তারবদি কোংগ্রেসতি লিংৎফম লৈরোই। মখোয়না লৈঙাক পায়বা মতমদা চত্থিবা মীওৎ মীনৈ, মীহাৎ মীপুন, মী মাঙহনখিবা, আই এল পিগী মীশি মীনা কয়া অদু য়েংলুরগা মখোয় হেন্না হৌগৎপা ঙস্লোই হায়খি।

# এস খোইরাম্থাবা এন ই আই দি পিদা...

*লমায় ৩গী মখা*

নেসনেল পার্টিশিংনা লমদম অসিগী মমল য়াম্লবা মনি মুক্তা কয়াবু মীরাইবিরি, মদু থম্মোয়দা নুংঙাইতবা ফাওই হায়খি। ঙসি পার্টিদা য়াওরিবা এস খোইরাম্থাবা হি য়াই চেল্লবা লুচিংবা অমনি।

হৌজিক অসি লমদম অসিগী রিজনেল ইশু কয়া অসি থেংনবা ঙম্বা রিজনেল ফোর্স অমা শেমগৎপগী চপ চাবা মতম ওইরবনি হায়খি। লোয়ননা লমদম অসিদা মতম শাংনা থবক তৌগে হায়রবদি নেসনেল পার্টিশিংসু রিজনেলগী ওইবা ৱাখল্লোন অসি শন্দোকপা চঙই হায়খি।

সরাংথেম খোইরাম্থাবনা হায়, লমদম অসিদা নেসনেল পার্টিনা ঐখোয়বু থেঙখাঙ কয়ারক্তা নৈদুনা লাক্লি। মহাকপু কোংগ্রেস পার্টিনা মোইথেম তৌদুনা পার্টিদা য়াওহনবীরে। লমদম অসিবু কঞ্জবা পাম্বা, য়েলহৌমীশিং কনবা পামজবা মীওই অমা ওইনা পার্টি অসিদা থাজবা অমগা লোয়ননা চঙখিবদু পার্টি অসিদি শেল পায়বা থিবা শেল য়াম্না থাদবা ঙমগদবা মী থিবা কাঙবু ওইরম্লে।

ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন্দা মণিপুর থুগাইয়ু হায়বা অমত্তা য়াওরম্লোই। লমদম অসিগী মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌগে, মণিপুর কনসি হায়বসি কোংগ্রেস পার্টিগী অশাওবী ওইরম্লে।

দিল্লিদগী নিরগা চাবা পীরক্ত্রগনা তোকপগী চৎনবী অসি হোংদোকপা মতম ওইরে। লমদম অসিদা ইশানা ইরোমদোম লেপচনবা খোঙফম শেম্বা মতম ওইরে। মদুতদা দিল্লিনা ঐখোয়বু উশিৎলক্কদবনি।

কোংগ্রেস পার্টিদি মীখল হায়বসি শেঞ্জাও পায়বা, শেন্দান লম্বী ওইনা চত্থবগী মওংদা লৈরম্লে হায়খি। চহী ৬৯ কোংগ্রেসনা নৈরম্লবা মণিপুর অসি বি জে পিনা চহী ৫ লৈঙাক চুপ্লি পায়রকপা অসিদা পুংমুৎ মুত্থ–ৎকদৌরে। লমদম অসিবু কনগে, ফুরুপ অসিবু মতম শাংনা লৈহনগে হায়রবদি নেসনেল পার্টিশিংগী খোঙ্গুন মুত্থৎখিবা তাই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসনগী লুচিংবশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুপশিংদা লৈরম্বা মীওইশিং অমসুং লূপ কয়াগী লুচিংবশিংসু ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

ক্রোসৱার্দ ১২৪ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | H | E | M | ■ | A | S | A | P | ■ | T | E | R | S | E |
| L | I | V | E | ■ | N | A | P | A | ■ | U | S | U | A | L |
| P | R | I | N | C | I | P | A | L | ■ | N | E | I | L | S |
| S | E | L | D | O | M | ■ | R | E | N | D | ■ | N | E | E |
| ■ | ■ | ■ | ■ | M | A | R | T | ■ | E | R | A | ■ | ■ | ■ |
| A | M | I | A | B | L | E | ■ | R | E | A | L | I | S | T |
| B | A | N | D | ■ | S | E | W | E | D | ■ | U | S | E | R |
| O | S | L | O | ■ | ■ | L | E | D | ■ | ■ | M | A | N | E |
| D | O | E | R | ■ | G | E | E | S | E | ■ | N | A | S | A |
| E | N | T | E | R | E | D | ■ | E | N | T | I | C | E | D |
| ■ | ■ | ■ | D | E | N | ■ | D | A | T | A | ■ | ■ | ■ | ■ |
| A | S | H | ■ | D | E | L | I | ■ | A | L | L | U | R | E |
| L | E | A | V | E | ■ | I | N | D | I | C | A | T | E | D |
| E | E | R | I | E | ■ | S | E | A | L | ■ | S | A | N | G |
| C | R | E | A | M | ■ | A | R | M | S | ■ | S | H | O | E |

# সি এ বিগী ৱাফম...

*লমায় ৩গী মখা*

ৱাংগনি হায়খি।

অতোপ্পা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মীখল অসিদা এন পি পিনা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা বি জে পিদা সপোর্ট তৌগনি হায়বগী থাজবা পীরি অমসুং পার্টি অসিনসু ইন্নরদা এন পি পিনা সপোর্ট তৌগনি হায়বসি চপ–চানা থাজে হায়নসু হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্মনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ডা. আই এ দি মরিং...

*লমায় ৩গী মখা*

মসিমক্না মহাক্না ওইজগে নীংলিবা আই এ এস অদুদি ফঙগনি হায়বগী থাজবা লৈতে। মরম অদুনা মহাক সার্ভিস অমদি শোয়দনা লৌরগনি। অদুগা মখা অমুক একজাম থাখিগনি।

অমরোমদা, সেরিয়েল নম্বর ৫১৭তা ওল ইন্দিয়া রেঙ্কিং ফঙলকি–খবা ডা. আই অঙশিম দাঙসৱা মরিং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী কাঙোই খুল্লেন খুলদগীনি। এম বি বি এস ডোক্টর অমা ওইরিবা অঙশিম দাঙসৱা অহানবা থাবদা মায় পাক্লকখিবনি। মহাক্না য়ুনিয়ন পব্লিক সার্ভিস কম্মিসনগী এক্সামিনেসনদা মায় পাক্লকপদা নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন দেল্লিদা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

# টেরোরিষ্টকী ফন্দ খোমগৎপগী...

*লমায় ৩গী মখা*

মেজিষ্ট্রেটতা পুথোকখ্রে। য়াম্না থুনা ইম্ফালদা লৈবা এন আই এগী স্পিসিয়েল কোর্টতা পুথোক্লগনি। কেস অসিগী মতাংদা মখা তানা থিজিনবগী থবক চত্থরি।

# বি জে পিগী লৈঙাক...

*লমায় ৩গী মখা*

হায়না পাউথোক্লে। চিঞ্জাক,ইরাৎ থৌনি অমদি কুম্ভে ফিয়োংদা য়েংথিনবা তুকচনবগী হু কামশিল্লে। অসিগুম্বা য়েং থিনবগী চাং অসি ঐখোয়গী পুন্সিদা কিনিংঙাই ওইবা মওংদা হেনগৎলক্লি। অদুনা মসি লেপহনবা তাবনি' হায়না চিঠি অদুদা ইরি।

**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Bashikhong, Imphal East**

*Ref. :- Mutation Case No. 182/SDC/B/IE of 2019*

(1) Chongtham Munal Singh S/o (L) Kullachandra Singh of Thongju Part-II
(2) Shagolsem (N) Naorem (O) Tamu Devi D/o (L) Nilamani Singh of -do-

***- Petitioners***

***-Verses-***

Shagolsem ongbi Ibemhal Devi W/o (L) Sh. Nilamani Singh of Thongju

***- Pattadar***

## NOTICE

*Bashikhong, the 5th April 2019*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৫৮–থোংজু পাট্টা নং ৪৭৯ / ১৫৫২ অনৌবা দাগ নং ৬৮৮ / ১৮৫৫ মোট এরিয়া ০.১৫ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পট্টাদার শগোলসেম (ও) ইবেমহল দেবী পতী মৃঃ নিলমনী সিংহ সাং থোংজুদা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইংখোল শরুক অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্টকারীশিং অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নামা ওন্থোকপীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপটি (Objection) অমত্তা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Bashikhong, Imphal East

SL/Bill(R)(A)/07

# পাম্বীদগী মনম নুংশিবা থাউ শুংবা, লফু পাম্বীদগী লং শুংবা অমসুং ভরমিকম্পোষ্টিংগী মরমদা ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৬(এস এন এস)ঃ সিএসআইআর–এনইআইএসটি ব্রাঞ্চ লেব লম্ফেলপাৎনা শীন্দুনা ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা সিএসআইআরঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি ব্রাঞ্চ লেবোরেটরি অসিদা 'ইনকম গেনরেসন ইন ইম্ফাল রিবর ৱাটরসেদ এরিয়া ট্রুর এসেন্সিয়েল ওইল, বনানা ফাইবর এন্দ ভরমিকম্পোষ্টিং' গী মতাংদা খন্ন–নৈন্নবা অমসুং হিরমসিদা ট্রেনিং সিসন অমসু পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগী ইনাগুরেসন সিসনদা এম এ এস টি ই সি, তাকয়েলপাৎ গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী ডাইরেক্টর টিঐচ সুরেন্দ্রনাথ সিংহ, এফ এফ দি সি, এম এস এম ই টেক্নোলোজি সেন্টর, ইম্ফালগী প্রোজেক্ট কোরদিনেটর ডা. এস য়োইরেন্তোম্বা মীতৈ অমসুং এএমএপিসিওএন, ক্বাকৈথেল ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট পি দেবকান্ত না ইকায়খুম্নরবা মীথুং গভর্ণমেন্ট ওপ মণিপুরগী হান্নগী কম্মিসন্নর আই এ এস ডা. আর কে নিমাইনা অথোইবা মীথুংলেন অদুগা সিএসআইআর–এনইআইএসটি ব্রাঞ্চ লেব লম্ফেলপাৎকী সেনিয়র প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট ডা. হুইদ্রোম বিরকুমার সিংহনা থৌরম মপু ওইখি।

আই এ এস ডা. আর কে নিমাইনা থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা হায়, মণিপুর অসি নেচরেল রিসোর্স ফ্লোরা অমসুং ফাউনা মরাং কায়না ফংবা লমদমনি। মণিপুরদা ফংবা মখল কয়াগী পাম্বীশিং অসিদগী করি–করম্বা পোত্থোক শুংবা য়াবগে হায়বসি খন্নবা নৈনবগী তঙাইফদবা লৈ। ঙসিগী খন্ন–নৈনবা থৌরম অসিদা পাম্বী মখল খরদগী মনম নুংশিবা থাও শুংবা, লফু–পাম্বীদগী লং শুংবা অমদি ভরনিকমপোষ্টিংগী মরমদা ফামরশিংদা খঙননবা অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাই ওই। লৌউ–শিংউবা খক্তদা দিপেন্দ তৌবগী মহুত্তা অসিগুম্বা থবকশিং তৌদুনা ইনকম–জেনরেট তৌবা য়াই হায়নসু ফোঙদোকখি।

ডা. হুইদ্রোম বিরকুমার না থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা হায়, ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিদা মরুওইনা পেরামিটর অহুমবু ফামরশিংদা খঙহনবা পান দমদা পাঙথোকপনি। অহানবদা, মণিপুরদা ফংলিবা পাম্বীশিং অসিগী মনুংদা মনম নুংশিবা থাউ শুংবা য়াবা পাম্বীশিং মশক খঙদোক্লগা মনম নুংশিবা থাউ শুংবা তম্বীবনি। পাম্বীদগী শুংবা মনম নুংশিবা থাউ মখল অসি ইন্টরনেসনেল অমসুং নেসনেল মার্কেটতা দিমান্দ য়াম্না লৈ। পাম্বীদগী শুংবা মনম নুংশিবা থাউ য়োনদুনা ইনকম জেনরেট তৌবা য়াই।

মণিপুরদা পাম্বীদগী মনম নুংশিবা থাউ শুংবা য়াবা পাম্বীশিং মরাং কাইনা ফংই। মরম অসিনা হায়রিবা শিনফম অসি লমদম অসিগা য়াম্না চুনগনি।

অনীশুবদা, লফু–পাম্বীদগী লং শুংদুনা ইনকম–জেনরেট তৌহনবা অসিনি। মণিপুরদা বানানা মরাং কাইনা হৌই। লফু পাম্বীদগী ফংবা লফোই নৎত্রগা মউ অদু চারবা তুংদা অরেম্বা মশা অদু লংথোক্তুনা অরেম্বদা মাংহল্লি। লফুগী মউ অমসুং মকা অদুদগী হায় ক্বালিটি ওইবা লং মখল অমা শুংদোকপা য়াই।

অহুমশুবদা, লফু পাম্বীদগী ফাইবর শুংখ্রবা তুংদা লেমহৌরিবা পোৎশক অদুদগী ভরমিকমপোষ্টিং তৌবা ভরমিকমপোষ্টিংগী হার অসি কেজি অমদা লুপা ১৫দগী ২০ ফাওবা য়োন্নে।

মহাক্না হায়, মণিপুর অসি ওর্গনিক ফার্মিং ওইহলগনি হায়বা ৱাফম লৈরবনিনা ভরমিকমপোষ্টিং অসি য়াম্না মথৌ তারে। ওর্গনিক ফার্মিং তৌবদা মখল অমতগী ইনওর্গনিক মেটর শিজিন্নবা য়াদবনিনা ভমিকমপোষ্টিংগী শেনফম পায়দুনা ইনকম জেনরেট তৌবা য়াগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ট্রেনিং সিসনদা ডা. নেভেদিতা ওইনামনা ভরমিকমপোষ্টিংগী মরমদা ৱা ঙাংখি, ইনকম জেনরেসন ট্রুর দিষ্টিলেসন ওফ ইসেন্সিয়েল ওইল হায়বা হিরমদা ডা. এস জে ইরেনতোমবা মীতৈ না ৱা ঙাংখি অদুগা পি দেবকান্তনা বানানা ফাইয়র প্রোসেসিংগী মতাংদা তাকপী–তম্বীখি।

# কিশ্বরচান্দ এন এস এদা ফাববু অমেরিকান বার এসোসিয়েসন্না কন্দেম তৌখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ৬(এস এন এস) ঃ আমেরিকান বার এসোসিয়েসন ফোর হ্যুমেন রাইটসনা মণিপুরগী জর্নেলিষ্ট কিশ্বরচান্দ ৱাঙ্খেমবু নেসনেল সিক্যুরিটি এক্টতা ফাজিন্দুনা থম্ববু কন্দেম তৌবা চেরোল থাদোলকখ্রে।

কিশ্বরচান্দ হৌখিবা চহীগী নবেম্বর ১৭তা মণিপুরগী বি জে পি গভর্ণমেন্টপু ঝান্সিগী রানিগা মণিপুরগী নীংতম ঈহৌগা শমজিন্নবগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লুবগীদমক্তা এন এস এ পান্দুনা ফাজিনখিবনি।

অমেরিকান বার এসোসিয়েসনগী চেরোল অদুদা ইন্দিয়ান ইন্টরনেসনেল লোগী মতাঙদা ঙাকফম থোকপদু ঙাক্রে হায়না ফোঙদোক্লি। লোয়ননা ফোঙদোকপগী নীংতম্ববু ঙাক্না চৎত্রেসু হায়রি।

ইন্টরনেসনেল কনভেন্সন ওন সিভিল এন্দ পোলিটিকেল রাইটসকী পার্টি ষ্টেট অমা ওইনা ইন্দিয়ানা নীংতম্না ফোঙদোকপগী রাইট অদু ঙাকফম থোকই। মহাকপু ফাজিন্দুনা থম্ফম থোক্তে। হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনসু ইন্টরনেসনেল লোগী মখাদা ইন্দিয়ানা ঙাক্না চৎফম থোকপবু ঙাকহন্নিংই হায়বা ৱাফমসু আমেরিকান বার এসোসিয়েসন সেন্টর ফোর হ্যুমেন রাইটসকী চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

# ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টতা কোম্বিং ওপরেসন চত্থখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ঃ হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অমসুং লৈবাকসিগী প্রাইম মিনিষ্টর লাক্কদৌরিবা অদুগী মাংজোংননা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমনা ওইনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোম্বিং ওপরেসন চত্থখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী নুপী পুলিস য়াওবা কম্মান্দো টিম অমনা ঙসি অয়ুক পুং ৬ রোম তাবদগী হৌদুনা নিয়ু চেকোন ত্রাইবেল কোলোনিদা য়ুম য়ুম চংদুনা থিবা হুম্বী থবক চত্থখ্রে। মদুদা নুপী ১১২ অমসুং নুপা ১৭৪ পুন্না মীওই ২৮৬ ভেরিফাইদ তৌবদা চিংনবা নুপা অমা নুপী অনি মখাতানা মশক খঙদোক্লবা পোরোম্পাট পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দোনসু ঙসি অয়ুক পুং ৫ রোম তাবদগী হৌদুনা লংথবাল ফুরা মখোঙ চিং মনিংগী য়ুম ১০০ রোমদা চং–চংদুনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থখি। মদুদা মীওই ২৩০ রোম ভেরিফাইদ তৌখি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অতোপ্পা কম্মান্দো টিম অমনা নিংঙোম্বম অৱাং লৈকায় অমসুং সঙাইপ্রৌ এরিয়দসু থিবা হুম্বা চত্থখ্রে হায়রি।

# লৈশাবী ১ থৌরী...

*লমায় ৩গী মখা*

ময়ুমদগী থোকখিবদগী ঙরাং নুমীদাং পুং ১১ হেল্লবা ফাওবা থিনবদা ফংখিদবনি হায়রি। ঙসি মীয়ম্না নুপী অমা থৌরি য়াল্লম্লে হায়বদগী য়েংনরুবদা বেবিচা ওইরমখিবনি। থৌরি য়াল্লম্বগী পাউ তাবদা বেবিচাগী মচে পুর্নিমা ৱান্থরকপদগী য়াইরিপোককী হেন্দ সেন্তরদা পুখত্তুনা লাইকন্নখি হায়রি। বেবিচাগী অশিবা হকচাং নোংপোক সেকমাই পুলিসকী টিম অমনা লৌথরবা মতুং পোষ্ট মোর্টেম একজামিনেসনগীদমক জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে হায়রি।

# ইচমবু মিংচৎ থিনবা হোৎনরকপা তুমিন্না লৈথোক্লোইঃ য়ুইমী হোরাম

ইম্ফাল, এপ্রিল ৬(এস এন এস)ঃ মনিপুর প্রদেস কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সি সি) গী স্পোক্সপার্সন কে ঐচ জয়কিষন অমসুং চুরচান্দপুরদগী জেমস গাংটৈনা ইনফোর্মেসন সেন্টর ফোর হিল এরিয়া মনিপুর (ইচম)বু মিংচৎ থিনবা হোৎরিবসি তুমিন্না লৈথোক্লোই হায়না সেন্টর অসিগী প্রসিদেন্ট য়ুইমী হোরামনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল নোর্থ এ ও সিগী মিনুথোংদা লৈবা ইচমগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ইচমগী প্রসিদেন্ট য়ুমী হোরামনা হায়খি, এম পি সি সিগী স্পোক্সপার্সন কে ঐচ জয়কিষন অমসুং জেমস গাংটৈনা পাউচে খরদা ইচমবু মিংচৎ থিবা য়াবা ৱাফম কয়া ফোঙলকপসি লাইবক থিবনি। মসিদগী জেমস গাংটে অসি কনানো কদাইগীনো হায়না থিদুনা লাকপনি। মহাক চুরচান্দপুরদগীনি খঙলকপদগী চহী অসিগী এপ্রিল অহানবদা ইচমনা মহাকপু উন্নবা চৎখি। মদুদা জেমস গাংটে উন্নবা ফঙলক্তে। মহাক্কী লোয়নবীদা থিহনবদা ইচমগী কাঙবুগা উন্নরোই হায়রকপদগী উন্নদনা হল্লকখি।

মহাক্না হায়, ইচমগা উন্নবা ফঙদনা লৈবা মতুং মতৌ করম্না ইচমগী কাঙবুনা মঙোনদা লাক্ষ ৫ কী শেনফম পিবা লাকপনি হায়না হায়রিবনো। অসিগুম্বা ইচমবু মিংচৎ থিনিঙাই ওইবা থবক মখা তানা তৌরক্লদি ইচমনা তুমীন্না লৈরোই। হীরম অসিগী মতাংদা জেমস গাংটৈদো টিলিফোনগী খুত্থাংদা শেংদোক্লবা হায়বদা মীখল মতুংদা শেংদোক্লে হায়রকখি। অসিগুম্বা শেমজিন–শাজিনবা ৱাহৈশিং অসিনা পোলিটিক্স তৌবীগনু।

মমাঙদা ইচমনা লৌখিবা ৱারেপ অদুদগী হোংবা লৈতে। হায়রিবা মতম অসিফাওবগী মনুংদা শীরিবা মরাল অসিগী মতাংদা শেঙদোরক্তবা তারবদি লিগেল এক্সন লৌগনি হায়নসু য়ুইমী হোরামনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# কংলৈ ইনাৎ য়োকখৎপা লূপনা শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৬(এস এন এস)ঃ কংলৈ ঈনাৎ য়োকখৎপা লূপনা নম্বোল চহী খুদিংগী পাঙথোকপগুম শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবা নুমিৎ থৌরম পাংথোকখ্রে।

শজিবু নোংমা পানবগী নোংমা মাংওইননা লূপ অসিনা মৈতৈগী লইফমলেন কংলাদগী মৈরা লৌরবা তুংদা ঙসি শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবগী থৌরম অসি পাংথোকচবনি হায়না কংলৈ ইনাৎ য়োকখৎপা লূপ নম্বোলগী জেনেরেল সেক্রেটরী ইরোম সমানন্দা মঙাংবা পাউ চে অসিদা ফোংদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়,শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবগী থৌরম শরুক অমা ওইনা ঙসি নুমিদাংৱাইরমদা নম্বোল হয়ার সেকেন্দরি স্কুল গ্রাউন্দদা থৌরম অসিগী মনুং চন্না থৌরি–চিংনবী,মুক্না–কাংজৈ, ঔগ্রি চোংবা (থাবল চোংবা) থৌরমসু পাঙথোক্কনি।

মনিপুর কলচর,নাৎ অমদি চৎনরোলবু য়োকখৎনবা পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওববু য়োক–খৎপা হায়বসি ফুরুপ অসিবু য়োকখৎপনি।

# কেমিকেল চেন্দবা আলূ অমদি হৱাই ফঙহনখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ৬(এস এন এস) ঃ সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী সবসিদিয়ারি য়ুনিট অমা ওইরিবা সলাই এগ্রি কঞ্জোর্ট্রিয়ম প্রাইভেট লিমিটেদনা শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবা নুমিৎকা মরী লৈননা কেমিকেল চেন্দবা হৱাই থরাক অমদি আলূশিং অহোংবা মমলদা ফঙহনখ্রে।

হায়রিবা আলু অমদি হৱাইশিং অসি সলাই এগ্রি কঞ্জোর্ট্রিয়মনা নোংদম, ফুল্লৌ,শঞ্জেনবম,ফয়েং অমদি লাইরেনকাবীদা লৈবা ফার্মশিংদা থাবা পোত্থোকশিংনি।

সলাই হোল্ডিংসকী ২০ ইয়ারস ভিজনগী মনুং চন্না লায়না–তিন্না চেন্দবা অওনবা ইরমদম অমা ওইনবগী পান্দমদা তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদা লৌ পরি ১৫ রোম মখল কয়াগী মহৈ–মরোংশিং থারি। সলাই এগ্রিকঞ্জোর্ট্রিয়মনা নো ইয়োর ফুদ হায়বা থিমদা ইরমদম অসিদা লৈরিবা মীয়াম পুম্বদা কেমিকেল ফার্টিলাইজরদগী লাপথোক্তুনা ইপা–ইপুশিংনা থম্বীরম্বা খল কায়হন দনা তিঞ্জং–কায়জংদবা খুন্নাই অমা ওইনবা হোৎনরি।

অহানবা ফেজগী ওইনা ঙসি সলাই এগ্রি কঞ্জোর্ট্রিয়মনা চাওরাক্না হৱাই থরাক কেজি ১,৬৫০ অমদি আলূ কেজি ২,০০০গী মথক্তা অহোংবা মমলদা মীয়ামদা ফঙহল্লি।

মখা তানসু গেহূ,চুজাক,মাইরেন অমদি মখল কয়াগী মনা–মশিং কয়া থাদুনা মীয়ামদা কেমিকেল চেন্দবা পোত্থোকশিং অহোংবা মমলদা মরাং কাইনা ফঙহন্নবা পান্দম থল্লি হায়না সলাই এগ্রি কঞ্জোর্ট্রিয়মগী মীহুৎ অমনা ফোঙদোকখি।

অয়েকপা পাই অসিদা খেন্নবা তরুক য়াউরি, খেন্নবশিং অদু পুথোকউঃ

